*"ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা*
*হো পুর্নিমা, মেরাগী পুর্নিমা"*
*- মাইবম রামচরন*

ঋষাঙ্গ

## বাই বাই সঙাই ফেষ্টিবেল

**—রাজেন্দ্র সরুংবা**

ফজৈদকো হে ইমা মণিপুর
হৈথোই শিংথোইরবা নচাশিং পোকপীও
কয়াদি নিংথিজরিবা পুমশং শংলিবা
উনা ৰানানা ৰাংলবা নিংথিরবা চীংদুমগী পল।

মীংশেলগুম লংলবা লোক্তাক্কী লাইজ
মোমোন নোকচরি সেন্দ্রা লাইরেম্বীনা
খুদৈ লিশাং থাদবগুম মহৈ মহৈ শন্নরিবা
লন্বী সরক চীংয়া তময়া থুংনা।

চৎপদা ৰাবা লৈতেদো কাচিন কোয়া
য়ৌনীংবা মতমদা য়ৌরিদো
পূক্লিংনা পামজবা খুল খুঙ্গং।

হায়রমগনি শোয়দনা অস!
ফজৈকো ফজৈকো লমদমসে
লাইরৈবাক হায়বদো মফমসি ওইগনি
সঙাই কুম্মৈ সঙাই ফেষ্টিবেলদি লোইখ্রে
'দুবু ৰাখলদি পূক্লিংদি লৈহৌরে মণিপুরদা
ইমা পুকফবী কৌগেনে থৌজাল হৈবী ইমাও
নচাশিংদা নত্তনা মীরম মচা ঐখোয়বুসু
কয়াদা নিংথিনা নাওকোনবিরিবা।

পীজ-পীথক্লা ফজরিবা চারু খুদিং মহাউবা
হৱা নুংশিৎনা মরোল অমা
নুংঙাইরিবা ফরিবা ইংসু ইংদা শাসু শাদ
য়েংবগী পেনবা নাইদে মীনা লাকচবা য়াদবা
ঈশৈ নোংমাই জগোয় শাথেক পুং চোলোমদা
মীফম হোংবা য়াদনা ময়া কাখৈ য়েংনখি।

অঙকপা জীবনি হৈস! মী নত্তে লাইনি।
সনাগী মেদল মুন্দুনা পুরকপা ঙম্বা ঙম্বী ঙাকনি।
পূম্নমক্লা কিনরিবা কল্লক্লরিবা নঙ ঐগী পোক্লফম
লাইরৈবাক্কী লমদমনি নঙ ঐগী মণিপুর।
অরোইবা মীৎকুপ অদু ফাওবা
পেন্না কৌবা ফংখিদ্রে ইমা হায়না
পাপ চেল্লবা ঐগী ইচিলসিনা
তেংথাজবসি নত্তনা।

## নিংথেম পুখ্রিনা তেংথারি

**—অথোকপম তোম্বা**

কংলৈ নিংথৌ গরিবনিৱাজ
লৈশেম্লিঙৈগী খুদোলনি
নুংশিবা মীংলেন্নি নিংথেম পুখ্রি।
থরো থম্বাল থারিকথা
ফুগাইনা লৈশাৎ তল্লিঙৈ
লাইজ ওইবী তরুবী
পূক্লিং থম্মোয় ইংহনবী
মাঙখ্রে ঙম্না মাঙখ্রে
মীংলেনতা ঙাইহৌরে ঙসিদি।
লেমলৈ মখল কয়ানা
লায়র পুন্সি থাক্লম্বী
ঙসিদি মায়থোংতা মঙাইরে
ফজবা শক্তম ঐহাক্কী
অদুবুনে মীওইবা
নিংথেম পুখ্রি ঐহাকসে
কপ্লি থম্মোয়দা তুমিন্না
ঐগী পুন্সি লোইরে খন
তাইবঙ কনানা থকপীদ্রে
ফিজু ফিজাম্বা নত্তনা
পুকচেল ফত্তেদা লোইয়ুম্বা
তাইবঙ করি থম্মোয়নো
ফত্ত লৌশিং লাকপনা
লুনা নান্না লেঞ্জরম্বা
লাইজ ঐদি মাঙজরে
তাইবঙ থম্মোয় খোইবনা
ঐনা তৌবনা মফরে
পাইমা ৰাখল খলবনা
মীওই কয়াগী ইতিনফম
ইমিংতা ঙাইরে ঐহাক্তি।
লাংলোন হৈবা ইবুংঙো
অমুক্তংদি থৌজানবীয়ুবা।

## কৈবুল লমজাউগী শকহেনবী

**—দিম্ভাজিৎ**

পোকচরবসু ইন্দিয়াগী
অৰাং নোংপোক চিদাইদা
থৎখ্রবসু পল ওইনা
চীংলোন মাপলনা
মায়কৈ মরি
নঙগী কোলোয় নিংথিবা
শিন থুংখ্রে মালেমদা।

নঙগী শাথেক ফজবা
য়েংবদা পূক্লিং নুংওনবা
মালংগী তান্থাদা
লৈনা শাবা জগোয়বু
ইখৌ লাংবা কয়ানা
নঙগী নাক্তা লাক্লরি।

নুংঙাইবা কয়া ফংদুনবু
নুংশিবিবা কয়া লৈদুনসু
লৈনিংদে মফম কৈদা
পোক্লফম লমদম নরানয়াই
কৈবুল লমজাউ শৈদাংফম।

পোকচমন মহয় য়াল্লে
লৈবাকসিনা চাওথোকচৈ
নঙগী কোলোয় মিংলেন্দা
হরাউ মথোই কাখরে
পোইনু থানা লাকপদা।

## নঙনা কপ্পা পকচদে ইমা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ইমা করিগী কপ্লিবনো?
নঙনা কপ্পা পকচদে ইমা
নঙদি পূম্নমক্কী মমানি।

মমা নীংবা ময়াম অসি উরগা
ইমা নঙ কপ্লবরা
কপকনু ইমা নঙনা কপ্পা পকচদে।

মতম অমদা লৈরম্বা
মী অমগা মী অমগগী নুংশি মরী
কদায়দা চৎখ্রে?
ঙম্নমক শা ওনখ্রে ইমা।
শাগী ৰাখল খনখ্রে
মীওইবা অমত্তা লৈত্রে।
মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বনা
ঙম্নমক লাকহৎখিদুনা লৈখিদ্রে ইমা অচুম্বা।

মমা নুংশিবা ময়াম অসিগী মরক্তা
পিরাং শিন্থনা কপকনু ইমা,
নঙনা কপ্পা পকচদে।
নঙগী নচা ময়াম অসে
তূম্লিব্রা, মীকপ থোক্লব্রা খঙদে ঐখোয় খঙদে।

তূমদনা মঙ মঙলিবা ময়ামসে
করম্বা মতমদা মীমান্ননা চৎপা ঙমগনি?
অমুক্তা ইমা নঙ হায়বা ঙম্ব্রা
মখোয়শিংসে কৈদৌঙৈ মীকপ থোক্লক্কনি?

## তেংথা

**—অরিবম ডাইনা দেবী**

তারিয়ে খোঞ্জেলদি খোন্থাং ওইনা নিল্লরে
লেপ্লিবোই নীংলুরে ঐগী ইনাক্তা
চৎলবসু মফম কয়া কয়াদা।
মাগী খোঞ্জেলতনা থনখ্রে থম্মোয়দি
কৌরক্লবোই নীংলুরে
পংলবা ঐগী ৰাখলসিনা
মীনুংশি য়াওদ্রবা অশিবা কৌবা মহাক্লা
খঙহৌদনা লাক্লগা মুনখ্রে, মুনখ্রে
পীক্লিবা নাৰা ঐগী ইফমদগী
শামু পাঙ্গল চাউদবনা,
ৰাখল মরেপ ফাদবনা
পাম্বোম তিংবা ঙমহৌদ্রে,
শেৎতুনা পুবিখ্রে ইথানুংদগী।
অকিবা কৌবা মহাক্লা য়োৎখিবনা

## কায়না তাম্নরক্লবদা

**—মেঘ কোলোম**

কপ্লক্লে থম্মোয় শোক্লা
শিন্থরক্তুনা মিৎলু পিরাং
ঙসিদি সনারৈ লৈরাংসু
মেংলবা থাবল মঙালসিদা।
কায়না খায়নবা কুইরক্লবদা
অদুঙৈ তনৌরবী খূৎশাশিং
থোৎলবী লৈরাংগী লৈনারক্তা
হিয়াঙ্গৈগী পানখৎলকপা অহিংদা।
মুৎলক্লবদা শুমাং খুদিং
মুৎলি মুৎলি ঙানলম্বা
মেংল অহিংদি কয়ালক্তা
মুৎনাইরমদা মেরা থাউমৈসু।
শাম্লক্লবদা নুংশিরবা শৈহেক্লা
মেংল থাবলগা ইরোইনরম্বা
অচিকপা অহিংদুবু য়াকাইহল্লম্বা
হরি শয়নগী শৈশক্লা।
তাম্নরক্লবদা পদ খুদিংদা
অমৃত ইরিক্লদি চোল্লবা
ভক্তশিং ইখৌলাংবা কোক্লরম্বা
য়ূমথোং খুদিং কোয়নদি।
চন্নখিদ্রে হৈরাং নোবাব
ঙাঙলৈনা মশিন্না কোয়শিল্ল
নিংথিনা চুহিবুদি নম্লবা
তঙৌজবী চুজাক কবোক্কী।
কায়না তাম্নরক্লবদা ঙসিদি
পোইনু লৌরোক্লা লাকপদা
ফৌবী চৈরোং খোঞ্জেল্লক্তা
ফৌওইবী ইমাই মিঙ্গৌলোন
লাইরেম্বী লাও লাও।

## চৎনবী

**—ডা: এল শশীকুমার য়ুরেম্বম**

অপঙবনা অশিংবশিং খঙনৈ
অশিংবশিংনা অপঙবা খঙনৈ
শেঞ্জাবনা খঙই পীরুবদৈ
অরৌবনা খঙই অপীববু
কয়াদা শেংখ্রবনো মতমসিদা।
পুমিন্নবদি য়াংবনি লাইৰানি
চামিন্নবদি য়াররোই মতমসিদা
ওইজবা তানবদা তাকথোক্লদে
তিন্নরমদাই ৰাখল তৌনহৌদে
কনানসু কায়নরমদাই তাক্লরমদে
মতমগী ঈহৌনি ওইজনামগী
অঙম অঙম হাৎতোকনৈ
কান্নবা ফংবদা তাকথোক্লদে
খঙনা খঙনা চৎমিন্নবনি
পুংলোনগী জগোয় শাথেকনি
চৎনবীনি চৎনবী মতমসিগী
চৎনবী য়াওদবা অপঙবনি
অপঙবদি মতমসিগী দশানি
দশা তারগা হরাউনবনি
চফু কায়রগা ক্লাক্লা হরাউনবনি।


## ইরমখিনি ঐগী পুন্সি ৰারী

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ইরমখিনি ঐগী পুন্সি ৰারী
খঙহল্লমখিনি মালেম পূম্বদা
ঐগী ৰারী।
থম্মোয় মকুপ মকুপ তাখিবগী ৰারী
মৈচাক খাঙখিবগী ৰারী
থৌনা ফবগী ৰারী
খাঙবা কনবগী ৰারী
মায়থীবগী ৰারী
মায় পাকপগী ৰারী
ইরমখিনি ঐগী পুন্সি ৰারী।

# মালেম অমসুং অতিয়া

## (নুংশিবগী ঈথক্লা মালেম্বু চেৎনা কোনবীবা ঙাইরিবা কবি নহা অমা)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | মালেম অমসুং অতিয়া |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | চোংথাম দীপু |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | এ পি ভি সি, ইম্ফাল |
| মমল | ঃ | ১৮২/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**পোষ্টমোদর্নিজম** হায়বসি মোদর্নিজম য়ানীংলক্তবদগী পোক্লকপা পূক্লিং মতানি। তশেংবদি অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংদা থাজবা কৌবা লৈরক্ত্রবা মীওইবগী মচৎ অমদগী পোক্লকপনি। কলচরদা অহোংবা লাকপা, মীওই খরগী বুদ্ধিদা থাজবা ঙম্লক্তবা, আর্টকী লমদসু মসিনা মরোইরে হায়বা ঙম্লক্তবা চরাংনবা ফিভম অমনা ওইহল্লকপনি। শম্না হায়রবদা 'অচুম্বা' হায়বসি লাইগী ওইবা, মীওইবনা হেক ফংবা ঙম্লোইদবা ট্রান্সেন্দেন্টেল (Transcendental) ওইবা পোৎনি খন্নরম্বদু পোষ্টমোদর্নিজম লাকপদগীদি তাইবঙদা লৈবা, ঐখোয়না শেম্বা (Immanent) ওইবা পোৎশক ওইরকখি। অদুনা 'অচুম্বা' হায়বা অসিগী অনৌবা ৰাহম্থোক অমা লাক্লে। অদুনা Peter Kivy না অসুম্না হায়রে, "Truth is a socially constructed cultural given. Truth becomes immanent residing in each individual culture or person". কয়াদা লুরবা তাঞ্জানো। মাগী ৰাসিনা হায়রি, খুন্নাই খুদিংগী, কলচর খুদিংগী, ট্রেডিসন খুদিংগী মাগী মাগী অচুম্বা লৈনৈ। মদু অমনা অমদগী হেন্না চুম্বা নত্তে হায়বনি। Walter Truett Anderson নদি Neo-Romantic movement সু Postmodernism গী মশক অমনি হায়রে। মসিনা হায়রিবনা 'অচুম্বা' হায়বসি মীওইবা ঐখোয়না মহৌশাগা চান্ন-চিন্ননা লৈরবা মতমদা নৎত্রগা ঐখোয় ইশাগী নুংগী ওইবা, থৱায়গী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎলক্লবদা ফঙ্গনি অসিনি। মসিসু করম্না লাল্লি হায়গনি।

ঐনা ৰাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমসি চোংথাম দীপুগী শৈরেং খরসি পারুবদা ফাওরকপা ৰাখলনি। মহাক্কী শৈরেংশিংদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা Neo-romantic ওইবা শৈরেং খরা থেংনরে। মোদর্নিজমগী মশক ওইবা অতেক-অকায়গী ওইবা ৰাফমদু য়াম্না মেঙনা রোমেন্টিক টোন অমদা ঈংনা ফোঙদোকপগী মশক উরে। অদুগী মথক্তা মালেমগী মশকসিদা পেন্দ্রবা কবি নহা অসিগী ৰাখলনা, থৱায়না কোরৌ নোংমদোন য়েংদুনা খাঙবা হৌরে। নিংথৌ তুরেন্দা মাগী আশা থম্বা ঙম্লে।

দীপু নোভেল ইবা অমা ওইনা থেংনখ্রে। মাগী 'তোর্ব্বান্দুদা' কৌবা নোভেলদা মশক তাকখ্রবা নহা অইবনি। ঙসিনা অমুক শৈরেং ইবা অমা ওইনা মশক তাকপা হৌরক্লে। শৈরেং ৩৯ য়াওবা মাগী লাইরিকসিদা ঈগী শৈরেং উদ্রে। অশাউবগী শৈরেং থেংনদ্রে। ঈপাক্তি কূপ্লে, অদুবু ঈথক ঈপোম থেংনগে খন্দনা ঈরোন্নুংদা লূপথরগা মনি-মুক্তা থিবা হৌখ্রে। ফংবা-ফংদবা অদুনা তোঙান্না থমখ্রগা মাগী খোঙথাং অসিদি থাগৎনীংঙাইনি। মথম্মোয়দি চাক্লে, তাইনফম খঙদবা মওংনি, পেন্দবনা থল্লবা মাগী থম্মোয়না অউ-অউবা য়ৈখায়-থিনগায়গে হায়বদুদি খন্দ্রে। অদুগী মহুৎ মাগী থৱায়না শান্তি থিরক্লে। অদুতদা মাগী থৱায় পেঞ্জরে। অদুবু মানা মালেমসিদদি ফংলোই হায়রি, মহৌশাদা চঙজবা তাই, থক্তা থোক্লিবা থৱান লীশিংলক্তা, নিংথৌ তুরেন্দা, থাজদা, লৈচিন্দা মাগী শান্তি শোয়দনা ফঙ্গনি হায়রি। মসিনি Neo-romantic কী মচৎ। অদুনা মানা থোল্লি লাইরিকসিগী মমিং 'মালেম অমসুং অতিয়া'।

কবি নহা অসিনা থিরিবদি মীনুংশিনি। অদুবু মতমগী খোঞ্জেল মরক্তদি ফংদ্রে হায়রি। মীনুংশি লৈত্রবা মালেম অসিগীদমক মহাক ৰায়। অদুনা মানা হায়, "অতিয়াগী নিংথৌ তুরেলদা/থিরুরি পূক্লিংনা মীনুংশিগী খোঞ্জেল/ঙসিদি য়েংনীংলে/নুংশিগী ঈথক্লা/মালেম্বু চেৎনা কোনবীবা।" (মতমগী খোঞ্জেল, লা: ৩) ফজবা ৰাহৈ-ৰাতানি। মানা হায়রি, নুমিৎ থোকচবদনি, অয়ূক ওইজবদনি। অদুবু মঙালদি লৈতে। তাইবঙসি অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তনি। কুয়োম কয়ানা ফাজিল্লবা তাইবঙ মীওইবনি। মী পূম্বা থিরি মঙ মরক্তা মঙাল। চৎনবীগী, কলচরগী, ধর্মগী চিংশিল্লক্লিবা লৈইশিংনা ঐখোয় পূম্বা ননশিল্লকপনা খনফম খঙনদ্রে। অদুনা অরোইবা ৰাহৈগী মফম থিনরকই হায়রি। মৈশা মরক্তা মায়কৈ য়েংনরকই হায়রি। মসিদি লাল্লি কনাসু হায়ররোই। অদুনা মহাক্কী শৈরেংগী ৰাহৈ থিফম খঙদে হায়না ৰাজরি।

অদুনা কবি নহা অসিনা হায়, "থম্মোয় কায়রি/নমথীরবা মীগী মনমদা/নুমিদাংদদি উরি অতিয়াদা/মশীং থিঙমদ্রবা থৱানমিচাকশিংনা/নুংশিনা শান্নমিন্নবা।" (চেক্লা অমসুং মালেম, লা: ১৮) অচুম্বা, ফজবা, নুংশিবা পূম্বা মীরক্তগী মাঙখ্রে, মহৌশাগী খূৎশেমদদি লৈরি হায়রিবনি। কবিসিনা অমুকসু হায়রি, মীওইবগী পুন্সিগী মমল পূম্বা খূৎশেমগী চৎনবী পরিংদা লেপ্তুনা লৈরে/ অদুনা অনৌবা মালেম অমগী মঙ মঙবনা ফরে হায়রি। মাগী মঙলানগী তাইবঙদি নাপল য়াওদ্রবা, মীনুংশিনা থনবা, মহৌশাগা নুংশিননা লৈমিন্নবা অদুনি। অদুনা মানা হায়, "পাইরকউ/পাইরকউ লমগী চেক্লা/তোংলো-লাউ ঐগী ইংখোন্দা/পুখো অমুকসু নুংশিবশিং/কদায় কদায় তান্না/ অমত্তনি মালেম নুংশিবগী অতিয়াদা।" (লন, লা: ২৬) অনৌবা মালেম অদুতবু খৌরাংজবা উৎলিবনি।

অদুবু অসিমদি হায় কবি অসিনা। ঙসিগী ওইরিবা ফিভম অসি মতম খরগীনি। ফৎত্রে খঙলক্লবদা, অচুম্বা পাল্লক্লবদা শোয়দনা থিনরকখিনি অদুঙৈগী শুরদু হায়রি। মাগী ৰাহৈদা, "থিনরকখিনি/মতমগী কৈথেলদা/ককঙাওনদুনা চৎলিবা/তাইবঙ পুন্সি কয়ানা।" (থিনরকখিনি, লা: ৩০) মসিসু লৌবা য়াবা ৰানি। অদুনা মানা তাইবঙপানববু লুথনা য়েংলকই। শিরগা লোইরবা মপোকসিদা ফি শেম্নদুনা, মতমগী মচু শঙজিল্লবা লৈমায়দা লেপ্পবসি করিসু কান্নদবনি হায়রি। মানা পামজৈ, নুংশিবনা য়োল্লবা, মোমোন নোকপা মতৌ। য়েংথিনবা য়াওদনা লৈচিনগুম্না পাইমিন্নবা। লৈকোলগুম্না লৈখল শুনা শাৎমিন্নবা। অদুবু উবা ফংদ্রে হায়রি।

অদুনা থিরি মানা অহিংবা ৰাহৈ অমতং মাগী শৈরেংগীদমক, মাগী পুন্সিনা লোইদ্রিঙৈসিদা। মালেম অমদি অতিয়াগী মরক্তা। অদুনা কপচৈ, মানা মাগী খোর্জেনা মঙম শাল্লক্ত্রবদা। মাগী পূক্লিং, ৰাখল লোইনা ৰাখলগী উমংদা, মতমগী মনম মরক্তা মাঙখ্রে হায়দুনা। মসিদি তাবদা থম্মোয় খোনবা ৰানি। অদুবু কবি নহা অসি আশা মাঙবা কবি ওইদ্রি। মানা থাজৈ নোংমদু শোয়দনা লাকখিনি। অনৌবা নুমিৎকী মঙালনা খুন্নাইসিদা লাক্কদবা মতমদু কুইদ্রে হায়রি। মহাক্লা ঙাইরি কুমগী নোংবু ঙাইরিবা নোঙ্গৌবীগুম। করম্বা য়েন্নীংথাদা চোংলক্কনি খঙদ্রবা পূক্লিংগী অনৌবা ময়োল অদুগীদমক মহাক ঙাইরি চোকথবা লৈতনা।

কবি অসিগী থম্মোয়গী মৈচাক মৈশা মরক্তা তোপ তোপ্না তাব শৈরেং অমসু য়াওরি। পোক্লফম লমদম মণিপুরবু শৈথাবা শৈরেংনি। কবিনা নোংপোক্লে হায়না শৈথারি। মসিদা অনৌবা ৰাহৈ খরা থেংনৈ। মাগী ৰাহৈদা, "শম্বল খাদবী থম্মোয়নি/নুংশিবগী তুংনফমনি/নহাক্কী লৈনাশিংদা, নহাক্কী লৈরীকশিংদা/ পক্তে য়েংথীবগী ময়েক, নাপলগী ময়েক/মীচৈরক্তা মোমোন নোকপীনি, চীং-লেম্বীনি।" (নোংপোক্লে, লা: ৪২) পরেংশিং অসিদা নুংগী ৰা ফুল্লি। নুংশিবগী তুংনফম ওইরুবনা, শম্বল খাহৌদবনা ঙসিদি করি ওইরগে হায়বা ৰা য়াওরি। চৈবসু থাগৎপসু পূল্লবা ৰাহৈশিংনি। অতোপ্পা পূক্লিং নৌবা শৈরেং অমসু য়াওরি, 'মতমগী ৰারী' কৌবা। মসিদা কবি নহা অসিনা মরমদমগীদমক থৱায় কৎখ্রবা নহারোলশিংগীদমক কপ্লি। থামম্বা অহিংদা, নাক-য়েৎ করিসু উরক্ত্রবদা খোঙ্গুল খরদি মমিৎ পাঙলি মঙাল নাইনা হায়রি। খোঙ্গুলশিং অসিদি হিংদুনা অদুম লৈহৌখিনি হায়বা ইঙ্গিৎ পীরি। মাগী ৰাহৈদা, "থাশিগী মম্লবা অহিংদসু/ঙসিদি খুঙ্গং খুঙ্গংগী/মুশি মুশিবা অপিকপা মৈঙালসু/অহিংবা ৰারীনি মতমসিগী।" (লা: ১) মসিনা তাক্লি, মরমদমগী চাক্লিবা মৈদু মাগী লকানুংদা।

অদুনা কবি অসিনা অরোইবদা মমা লমদমদা কোক নোন্না চঙজৈ, করিসু তৌরম্বা ঙমদ্রে হায়না। মানা হায়জৈ, লমদমসিগী চীংশাং পরেং পরেংশিংনা মাবু নাউকোনবীরকপনি, মসিদা চেল্লিবা তুরেল পূম্বা মাগী শিংলি নাউরিনি, অতিয়া মচেৎ অসিদা থোক্লিবা থা-থৱান পূম্বা মাগী মরুপনি। অদুবু মাগী পূক্লিংদি শুক তরেৎ মম্লবা অহিংনি, মঙাল য়াওদ্রবা। অদুনা চঙজৈ, "করিনা ঙালহনগনি/ৰাখলনা করিসু লাম্বা ফংদ্রবদা/করিবু লৈখিনি ইনাক্তা/থাবলগী মঙালসু অমত্তা উদ্রবদা/ইঙাগী নোংজু মরক্তা/পূক্লিংবু চামথোকচবা ঙমখিগদ্রা?" (ইঙা নোংজুসিদা, লা: ২) মসিদি নোল্লুকপা, নাপল য়াওদবা, মচা অমগী ওইনবা ৰাহৈনি। থৌনা য়াওদ্রবা অমগী ৰাদি নত্তে। অদুনা মতাং অমদা কবি নহা অসিনা হায়, "ঙাইখিনি চোকথবা লৈতনা/মচেৎ মকায়গী মঙ কয়ানা চাইখাইরিবা/মম্লবা মঙগী মঙলৈবাকসিদা/অচুম্বগী মঙাল পূম্ববু/নুংশিনা কোনশিনবীগদবা মিৎকুপ।" (অমম্বা কৈথেল, লা: ৫) লাকপা ওইসনু অদুগুম্বা মিৎকুপ্তু।

লোইশিল্লকপদা নহা ওইরিবা কবি অসিদা ৰাফম অমতংদি থল্লম্লিংঙি। চপ মান্নবা থিমদা শেম্বা শৈরেং হঞ্জিন হঞ্জিন পাবগী নুংঙাইতবা ফাওবা অমদি লৈরি। অতোপ্পা থিমদা শেম্বা শৈরেং খরসু পানীংবনি দীপুদগী। অদুবু মদুমক্তি ফংবা ঙমদ্রে। অদুবু অথোৎপা ৰাহৈতনা শেল্লকপা শৈরেং খরা পাব ফংহনবসিদি অফবা খুদমনি। দীপুগী মশক তাকহৌরনি।

# ঐসু মীনি

**হোকরনা** লংশিল্লকপা পাউচেদু হেক য়েংবদা থেংনৈ,

- ঙরাং নুমিদাং পব্লিক হেলথ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী ইগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ইরেংবম মহেন্দ্র লালহৌবা ওইরমগনি থাজবা মীওই অহুম লাক্তুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা মশাগী ময়ূমগী থোঙ্গালমক্তদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কম্মান্দো টিম অমনা থিবা হুন্বা চত্থবদা থোইদোকপা মীফা-মীপুনগী পাউদি হৌজিক ফাওবা ফংদ্রি।

য়াওশঙ ময়ানি। চৈরাপ গেট মচিনগী ওটো পার্কিংদা হোবে-হোবে সুমতি থেংনৈ। কুইরে উন্নখিদবা। হেক উবগা খংকৌ কৌরকই,

- শান্তি !

ইঙক ঙক্লা ঐনা খুন্মী,

- ইস! নঙদি নয়াং কংলেদা, নারুরব্রা?
- নাদে। ফজবা য়ূম্বান হায়দুনে।
- অঙাংদি কয়া শুরে?
- অমখক।
- চাউরল্লনি অদুদি।
- চাউরে, ঐগা ৰাংবা মান্নরে।
- ক্লাসতি কদায় য়ৌরগে?
- হন্দক্কী টেন থাবদা য়াওদৌরিনি।
- চাউরেদনা। খরদি কোল্লরিনি।
- কোল্লে। ঐমুক নুংঙাইবা লৈত্রে।

ঐ খঙঙি। ৰা অমদি লোৎলি। অদুনা ঐনা হংঙি,

- মহেন্দ্রসু নুংঙাইরিদনা।

মাগী থায়নগী মমিৎনা নোকপীদুনি। খিত্তং নোক্লগা লৈখাদা য়েংলগা খুল্লকই,

- মাবুদি করিগী ৰারুদগে, মা য়াম নুংঙাইরি।
- নখোয়নি কৈদৌনরগে? নঙগীসে ঐ চিংনৈ।
- মাগী পুন্সিনা অমা, ঐগীনা অমা। মীনা মীবু কৈদৌরুনি। মানা মানা থোকপা। মানা ঐগীদমক ৰাদে। ঐনসু মাগী ৰাদে। ফরে, নঙ থেঙখ্রনি। অঙাং মথন্তা ঙাইহৌই, চৎখ্রগে।
- নঙনা কদায়দা লৈরিবা।
- মাম্মগী ৰার্কশোপ্তা।

তঙায়ফন্দবা অমা য়াওনা ঐ চৎলি, মাম্মগী চীংমৈরোংগী ৰার্কশোপ্তা। ওন্থোকপা ফীভমদনি সুমতিনা লৈরল্লিবদু। কা মচা কৌবসু য়াবা অমদা মমা মচাগী ওইরল্লে, চফু মচা অমা অনী লোনখত্তুনা লৈ। মনাক্তুদা তায়ারনা শেম্বা ঈশিং হাপ্পবা পাত্র অমদা দরম মমায় মচেৎ অমনা কুপ্লি। মথক্তা মখোক য়াওদবা থাঙজৌ মচা অমসু থাঙ্গৎতুনা লৈ। ইনেসু নেপালি নিংঙোলনি। মচা পোক্তে। লৈখিদবা কুইরমাল্লে। পেরালাইসিসনা নাদুনা মাম্মদু লায়েংনীংঙাই শেল লৈরক্তবদগী মরমদম বংলাদেশতা চৎখ্রে হায়।

- মাম্মদি নঙোন্দা চৎসি হায়দবরা?
- হায়, ঐনা য়াদবনি। কৈদৌরুনি, মশা মরায়থুং চেল্লবা মাম্মদা ঐগী পোৎলুমসি থাঙ্গৎলুদুনা। ঐগীদমক ওন্থোক্লা ৰাজখ্রবনি।
- নঙ চৎলম্লবদি ফগদবনি।
- সিনা ফৈদা।
- অঙাংসিগী য়েংলগা হায়বনি, নঙ খল্লু।
- কয়ারক খল্লে। মদুমা ঐ ঙম্লরোই। ঐসু মীনিদনা।

নুমিত্তু ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদে। ঐ কপখি। ঐগী পুন্সিদা থম্মোয় কায়না মিত্তগী পি তাখিবা অনীরক শুরে। ঐগী ইমাগা পুন্সি চুপ্পগী কায়নবা মতমদা ঐগী মিত্তগী পি তাখি। করি হায়নি- সংসারগী অমম-অঙান ঐ খঙখিদে। ঐহাক অমম্বা ঙাক্তা ওইনা উখি। ঐগীদমক সংসারসিদা খ্বাইদগী হেন্না ৰাজখিবদি ঐগী ইমানি। অদুগুম্বী ঐগী ইমানা মালেমসিদগী খঙমুৎ মুৎখিবদা ঐগী খাঙবগী শক্তি লোইখি হায়বা য়ানা ঐনা ৰাখি। অদুনা লোইরে খল্লুবনি অদুবু ঙসিনা মরুপ অমগীদমক ঐগী মিত্তা পি তারক্লি। করিগীনো, বিচার অসিদা অদুক থৱায় য়াওরুরিবনা। ঐ অমত্তা খঙদে। অদুগা ৰায়েলশঙ য়ৌখিদ্রবা ৰাকৎ ময়াম অদুগীদমক্তি ঐ য়াম্না পেনখিদে। সহরদা খুঙ্গংদা অসিগুম্বা ৰাকৎ ময়াম অমগী নম্বো পোরগা মরাইবক্তা তাইনদুনা হিংবা মী ময়াম অমা লৈরম্বা য়াই। মখোয়শিংদুগী মরক্তা সুমতিগীসু মফম অমা কন্দুনা হিংলবকো। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা শম্বল অমগী মনুংদা খাঙহৈবগী মচু লোকপীদুনা হিংলিবীশিংগী মরক্তা সুমতি মমা-মচাসু য়াওখ্রে।

চহীদুমক্কী থৱানগী পুর্ণিমা নুমিৎনি। ঝুলোন লোইবা নুমিৎনি। কোনুংদা গোবিন্দা খুরুম্বা চৎপনি। মীরক্তা থাজদনা অমুক থেংনৈ। হেক উনবগা ইবানি মিৎলুদা পি হৌনরকই।

- নচাদুদি পুবিরক্ত্রা?

ঐগী ৰাহংদুদা মা লকক তৌখি। পাক হেক খুল্লক্তে। ঙাইহাক্তি ফীভম হঞ্জিনবগুম তৌনা লৈ। মমৈদা কপথোরকই হীক হীক। মরেংবান্দা খূৎ য়েৎনা কোনবোই করিওই ঐনা অমুক হংই,

- নঙবু কৈদৌরগে, নচা কৈদৌরগে?
- ঐ করি খুমদোইনো খঙদে শান্তি! ঐগী অঙাংদো মচিং ফৎখিদ্রে। নোংমাইজিং পোকপীনি, মরীল খাখ্রবা অঙাংনি। কুইরে, মপাগী ৰা তকখৎলকপা। করি করিনো য়াম ঙাঙলম্মী। অসুম তৌনি থাজরুদে।
- করি অমুক লোৎলিনো, কৈদৌখ্রগে?
- নঙগী ননাক্তা লাকসিরা খল্লম্বনি। পরিক্ষাবুদি পাস তৌরকপনি। মমিং চনবগী অদুৰাইদা মপাগী মনাক্তা চৎলুমাল্লে। ঐদি খঙহৌদে। ঐনসু য়াম্না ঙাঙলুরে। অদুৰাই মতমদু ঐ য়াম্না কন্না নাবা মতমনি। মাগী মমিং চন্নবা ঐনা তুংশিনবা খরদুনা ঐগী লায়েংবদা মানা য়াদদুনা শীজিন্নখ্রে। ঐনদি মমিং হান্না চনখো হায়। মানা য়াবা লৈতে। মদুদগী থোকখিবনি। ঐনদি কনাদা হংলুনি। ফনা য়াম্না মরী মখোঙ থিবা য়াবা থিরে। ফংবা লৈতে। অথেংবদা হেক হেক লাক্লম্বদুসু ফনা কুইরে লাকখিদবা। হন্দক্তি ঐ লাক্কে। নঙগা ৰারী শান্নবসে ঐ নুংঙাই। ছুটি অমদা ঐ নোংমা লাক্কে। মাবুদি শোয়হন্নীংদে। শান্তি! ঐ হিংখিগে খনবনি। ঐ হিংখিগে। নখোয় খ্বাই লৈরিদনা।

ঐনা অহিং চুপ্পা খনখি, মহাক হিংখিসনু। ঐগী নুপানা করি খনবনো, চঙলক্তুনা তপ্না হংলৈ,

- কৈদৌরে, ইতুক তুকথরিদুবো?
- কৈসু তৌদে। ঙসিদি য়াম চোকথৈ।
- ঙাইহাক পোত্থাও। চাক খিত্তং চাথোক্লদি ফদৌনি।
- চাক চাররোই। করিমত্তা লামদ্রে।
- করিগী লামদ্রিবনো, করিগী চানিংদ্রিবনো? মরম হায়দবা য়ারোই।
- ঙল্লিমখৈ নঙগী য়াথং ইন্দুনা লাকপনি। ঙসিদি নঙগী য়াথংদুনা ঐগী লামদ্রবা পুকসিদা করম্না নমশিল্লু হায়রিবনো, ঐবু শিরো হায়রিব্রো?

মহাক তুমিন লৈখ্রে। ফমুংদা তূম্বা চঙখ্রে। ঐদি তূমদ্রি। তূমথদবগী মতিক ৰাখলনা মনীং তল্লক্লে।

- শান্তি! ঙসিদি সুমতি কারক্তেনা।
- উম। মহাক ঙসি কারক্লে।
- ঐ ঙসিদি নঙোন্দা ৰা অমত্তা হংগে।
- ঐঙোন্দদি করি ৰা অমা ?
- ঐঙোন্দা নঙনা অদুক মুক্লিদুবু করিগীনো? ঐদি নঙগীদমক য়াম্না খনবা মীশক অমনি।
- ঐগীদমক খনবনরা, ইতুং কোয়ইন ইন্নদুনা অয়েৎপা পীরিবদো।
- নুংশিবসিবু অয়েৎপা কৌবরনে?
- মদু নৈনগদবা মতমদু ঐগীদি খরা ৰাৎলি।
- মতমদুবুদি নঙ-ঐ য়ানবগী মখা পোল্লিদা। ঐসু খঙঙি। ঐ ৰাখল য়াম্না তাদবা মী নত্তে।

-মথং-মথং

**—হুইরোংবম বেনুবলা**